


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, FRIDAY, SEPTEMBER 07, 2018 PAGE 7

*য়ুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা জপানগী ওসাকাগা শান্নগদৌরিবী য়ুএসকী মেদিসন কিজ*

*য়ু এস ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস*

## সৌরব চোধরিনা মিটর ১০গী এয়র পিস্টোলদা জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে,অর্জুন সিংহ চেমানা ব্রোঞ্জ ফংহৌরে

*চাংৱোন, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা চথরিবা ৫২শুবা ইন্টরনেস্নেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ ২০১৮গী মিটর ১০গী এয়র পিস্টোল ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরব চোধরিনা জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা স্কোর কাপতুনা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেদল লৌখ্রে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অর্জুন সিংহ চেমানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌরে।



নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিস্টোলদা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী সৌরব চৌধারি (ময়ায়) অমদি ব্রোঞ্জ ফংখ্রবা আর্জুন (য়েৎ)

সৌরব চৌধরিনা অপুনবা পোইন্ট ২৪৫.৫ স্কোর ফংবা ঙমদুনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিস্টোল ইভেন্টকি ফাইনেলদা গোল্ড মেদল অদু লৌখিবনি। মশাগী চহি ১৬খক্তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অসিনা ফাইনেল ইভেন্ট অদুদা অহানবা ষ্টেজদা পোইন্ট ১০৩.০ লৌবা ঙমদুনা মাঙজিল থাখি। কোরিয়াগী চহি ১৮শুরবা সুট্টর হোজিন লিমনা অপুনবা স্কোর ১০২.১ ফংদুনা য়াম্না নকপা লম্বা ওইনা ফাইনেলগী অহানবা ষ্টেজ অদুদা শান্নখি।

সৌরবনা মখা তাবা ষ্টেজতা পোইন্ট ৩.১ খক কোরিয়াগী সুট্টর হোজিন লিমদগী হেন্দুনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা ওইনা থেংনখি। য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুংদা সৌরবনা অপুনবা স্কোর ২২৫.০ ফংবা ঙম্বদগী গোল্ড মেদল অদু লৌখিবনি।

ইভেন্ট অসিগী ষ্টেজ পুম্নমক শান্নবা লোইবা ফাওবদা কোরিয়াগী সুট্টর হোজিন লিমনা অপুনবা স্কোর ২২২.৪ ফংবা ঙম্বদগী নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিস্টোল ফাইনেলদা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেদলনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অর্জুন সিংহ চেমানা অপুনবা স্কোর ২১৮.০ ফংদুনা লৌখি। ইনিদয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অনমোল জেন না অপুনবা স্কোল ৫৭২ ফংদুনা ১০শুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াই ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিস্টোল ফাইনেল ইভেন্টতা জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা সুট্টর সৌরব চৌধরি অসিনা অসোক অবিন্দয়াগা শেম্বা পার্টনরসিপনা মিটর ১০গী এয়র পিস্টোল মিক্স টিম জুনিয়র ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

মিটর ১০গী এয়র পিস্টোল টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়া অনিশুবা তাখি। অহানবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসননা মথংশিংনা কোরিয়া অমসুং রুসিয়ানা তাখি।

জুনিয়র মেনগী ত্রেপ ইভেন্টতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নাথান ষ্টিভন আরগিরো, য়ু এস কি লোগান জোসেফ লুকাস অমসুং ইটালিগী লোরেঞ্জো ফেরারিনা মথংশিংনা অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অলি অমন ইলাহি, ভিভান কাপুর অমসুং মানভ অদিত্য সিংহ রাথোরনা মথংশিংনা তরুকশুবা, মাপনশুবা অমসুং ১৭শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী পিস্টোল ইভেন্টতা কোরিয়াগী সুট্টর জিন জোঙোনা পোইন্ট ২৪১.৫ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি। রুসিয়াগী আর্টেম চেয়রনোসোভনা পোইন্ট ২৪১.৫ ফংলগা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা কোরিয়াগী সুট্টর জিননা হেনখিবদগী সিলভর মেদল ফংহৌবনি।

ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেদলনা সাউথ কোরিয়াগী সুট্টর লিদেমিয়ুং না পোইন্ট ২২০.৬তা লৌখি। নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিস্টোল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অভিসেক বর্মা (১১৮), ওম প্রকাস মিথরৱাল অমসুং শাহাজার রিজভিনা মথংশিংনা ৮শুবা, ১৮শুবা অমসুং ৩০ শুবা পোজিসন তাহৌখি।

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিস্টোল টিম ইভেন্টতা কোরিয়ানা পোইন্ট ১৭৪৭ ফংদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। অনিশুবা পোজিসননা ইন্দিয়াগী টিমনা পোইন্ট ১৭৩৮ ফংলগা তাখি। অহুমশুবা পোজিসননা রুসিয়াগী টিমনা পোইন্ট ১৭৩৬ ফংলগা লৌখি।

## জপানগী নাওমী ওসাকা অমসুং কৈ নিসিকোরি য়ুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা চহী ২২ গী মতুংদা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে





নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা জপানগী ওসাকা (ওই) অমসুং নিসিকোরি

*নিউ য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ*

য়ুএসকী সিটি ন্যু য়োর্কতা চথরিবা য়ুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ দা চহী ২২ গী মতুংদা জপানগী নাওমী ওসাকা অমসুং কৈ নিসিকোরি অহানবা ওইনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

য়ুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ২০শুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা য়ুক্রেনগী লেসিয়া সুরেনকোবু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা চহী ২২গী মতুংদা অহানবা ওইনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙম্বী জপানগী শান্নরোই ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা জপানগী নাওমী ওসাকানা অহানবা সেট অদুদা য়ুক্রেনগী লেসিয়া সুরেনকোগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবী জপানগী নাওমী ওসাকানা অনীশুবা সেট অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু উৎপা ঙমদুনা সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা সেট অদুসু ৬-১ দা য়াম্না লায়না থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ১৪শুবা সিদেদ য়ুএসকী মেদিসন কিজগা শান্নরগনি।

পনবা য়াই জপানগী কিমিকো দেটনা ইং ১৯৯৬ তা পাঙথোকখিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অদুগী মতুং চহী ২২ লৈরগা মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা য়ুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বী শান্নরোই ওইখিবনি।

১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী য়ুএসকী মেদিসন কিজনা ঙসি নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩০শুবা সিদেদ স্পেনগী স্বারেজ নভারোবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

য়ুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং সেট ৩-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট ক্রোএসিয়াগী সিলিকনা জপানগী নিসিকোরিবু ৬-২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা চেকশিন্না শান্নরকপদগী সেট অদু ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহুমশুবা সেট ওইনা মখা তানা শান্নরকপদা অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। টাই ব্রেকতা সেট অদু নিসিকোরিনা সিলিকপু ৭-৬(৭-৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

মরিশুবা সেট অদু ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা কৈ নিসিকোরিবু ৬-৪ দা থোইদুনা সেট ২-২ দা মান্নখি। দিসাইদিং সেট ওইখিবা ৫শুবা সেটতা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু ৬-৪ দা থোইবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

জপানগী কৈ নিসিকোরিনা সেমি ফাইনেলদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসকা থেংনরগনি।

৬শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

য়ুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ক্রেজকিকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভানা ৭শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবী বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অমসুং নেদরলেন্দসকী দেমী স্কুর্সপু ২-৬, ৭-৬(৯-৭), ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সামান্থা ষ্টোসুর অমসুং চাইনাগী ঝাং স্বাইনা রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভা অমসুং লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিজা সেভাষ্টোভাবু ৬-২,৬-৩ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

## সাফ কপতা বাংলাদেসনা পাকিস্টানবু ১-০দা থোইদুনা গ্রুপকি মকোক ওইরি, নেপালনা ভুতানবু ৪-০দা মায়থিবা পীখ্রে

*ঢাকা, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ*

বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাংদগী হৌখিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (এসএএফএফ) কপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’গী মেটচ অমদা বাংলাদেসনা পাকিস্টানবু ১-০দা থোইদুনা গ্রুপকি মকোক ওইরি। গ্রুপ অসিমক্কি ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা নেপালনা ভুটানবু ৪-০দা মায়খিবা পীখ্রে।



বাংলাদেশ অমসুং পাকিস্টাননা শান্নখিবা মেটচতা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা

বাংলাদেস অমদি পাকিস্টানগা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু টিম অনিমক্কি মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকি মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনিশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অসিগী মায়কৈদগী পাঙ্গল মান্নরকখি। শান্নবগী ৮৫শুবা মিনিটতা সাফ কপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক বাংলাদেসকি শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টোপু বরমননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি। লেমহৌবা মেটচকি মতম খরা অদুদা পাকিস্টানগী শান্নরোইশিংন পাঞ্জল হন্দোক্নবা কন্নবা হোৎনরবসু মেটচকি মতম লোইখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবনা মেটচ অদু মায়থিহৌখি।

মায় পাকখ্রবা বাংলাদেস টিম গ্রুপ ‘এ’দা মেটচ অনি শান্নবদা অনিমক মায় পাক্নুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈরি।

গ্রপ অসিগী অতোপ্পা অনিশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা নেপালনা ভুটানবু য়াম্না লাকচনা ৪-০দা মায়থিবা পীখ্রে।

নেপাল অমসুং ভুটাননা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা নেপালনা খুদুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ২১শুবা মিনিটতা নেপালগী শান্নরোইশিংনা চথখিবা এটেক অমদা এ টমাঙনা মেটচকি অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকি মখা তাবা শান্নবদা অহেনবা পাঞ্জল অমতা টিম অনিমক্কি মায়কৈদগী লৈনখিদে। অনিশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনিমক লম্বা মান্নরকখি। ভুটাননা পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৭১শুবা মিনিটতা নেপালগী শান্নরোই সুনিল বালনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপদা নেপালগী খৱাসনা শান্নবগী ৭৯শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ৩-০দা মাঙজিল থারবা মতুং মেটচকি ৮৮শুবা মিনিটতা নেপালগী অতোপ্পা শান্নরোই খাদকানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪-০দা মায় পাকখি।

## ‘সাফ চেম্পিয়নসিপতা শ্রীলঙ্কা থোইরবসু পেন্নিংঙাই ওইদে’

*ঢাকা, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ*

বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (এসএএফএফ) কপ ২০১৮গী মেটচঅমদা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কা থোইরবসু ইন্দিয়াগী পর্ফোমেন্সতা হরাউদে হায়না ইন্দিয়া টিমগী নেস্নেল কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেনটাইননা ফোঙদোকখ্রে।



‘অশোইবশিং মথংগী মেটচ মমাংদা ঐখোয়না চুমথোকপা মথৌ তারি। মায় পাকপনা ঐখোয় হৌখ্রে অদুবু পর্ফোমেন্সতদি ঐহাক হরাউদে। ঐখোয়না অহেনবা পাঞ্জল খরা চনবা য়ারম্বনি’ হায়না কোন্সটেনটাইননা হায়রি।

মহাক্না হায়, ঐখোয় মতৌ করম্না খরা হেন্না নিংথিনা শান্নগদগে হায়বা তম্বা মথৌ তারি। মসিদগী হেন্না ফগৎপা ঙমগনি হায়বসু ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় এ এফ সি এসিয়ান কপকি ক্বালিফাইদ ওইরে। সেনিয়র প্লেয়রশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎনবা অহেনবা শান্নরোইশিং মথৌ তারি।

অমরোমদা ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্গা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মোষ্ট ভেল্যুয়েবল প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাখিবা শান্নরোই আসিক কুরুনিয়াননা ইনিদয়াগী কোচ কোন্সটেনটানগী ৱাফমদা য়ানিংদুনা ঐখোয়না মায় পাক্নে অদুবু ঐখোয় খুদোংচাবা কয়া অমদি নাম্হোকখি। ঐখোয় ফিল্ডদা য়াম্না য়াঙনা শান্নদুনা খুদোংচাবশিং লৌগদবনি হায়না ফোঙদোক্নি।

পনবা য়াই ইন্দিয়া অমসুং মালদিপ্সনা গ্রুপ ষ্টেজগী ফাইনেল মেটচ নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগনি।

## ইন্দিয়াগী দবলসকী শান্নরোই লিয়েন্দর পেস ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*চিকাগো, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ*

য়ুএসএগী সিটি চিকাগোদা চথরিবা য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চিকাগো চেলেঞ্জর্সতা ইনিদয়াগী দবলসকী টেন্নিস শান্নরোই লিয়েন্দর পেসনা মেক্সিকোগী এঞ্জেল রিয়েসকা পেয়র ওইদুনা শান্নবদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং মেক্সিকোগী এঞ্জেল রিয়েসনা সাউথ অফ্রিকাগী রুৱান রোলোফসে অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পেত্রিক স্মিথপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭-৬(৭-৪), ৬-৭(৪-৭), ১০-৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা থাইলেন্দগী সিটি নোথাবুরিদা চথরিবা য়ুএস দোলর ১৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী প্রেরনা ভাম্ব্রিনা থাইলেন্দগী বুনিয়ারি থামচাইৱাটপু ৬-২, ৬-৩ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঝির দেসাই ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনিজ তাইপৈগী হুৱা চেনলিগী মখুত্তা ৩-৬, ২-৬ তা মায়থিহৌবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

থাইলেন্দগী নোথাবুরিদা চথরিবা আইটিএফ মেন্সকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইনিদয়াগী শান্নরোই কারুনদে সিংহ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী শান্নরোই ৱিসায়া ত্রোংচারোনচাইকুলগী মখুত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬-২, ৬-৭(৪-৭), ৩-৬ তা মায়থিহৌখি।

## নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী সমির বর্ম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*হায়দরবাদ, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ*

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোই সমির বর্ম হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা ইনিদয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই কে ৱাল্টরবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১-১৪, ২১-৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সমির বর্মনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই পি জোসিগা শান্নরগনি। পি জোসিনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই সৌরভ বর্মবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৪-২১, ২১-১৩, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী গুরুসাইদত্তনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অতোপ্পা ইনিদয়াগী শান্নরোই দিএস ফারিদপু ২১-১৪, ২১-১৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা মালেসিয়াগী লিম সি দল্লিয়ুগা শান্নরগনি।

মালেসিয়াগী লিম সি দল্লিয়ুনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মালেসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই গো জি সি লাক্তবদগী ৱাল্ক ওভর ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই অনী ৭শুবা সিদেদ এফএ খোলিক অমসুং সাপুত্রা শান্নরগনি।

৭শুবা সিদেদ খোলিকনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সি সেনবু ২১-১৬, ২১-১৮ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা ইন্দোনেসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সাপুত্রানা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কে ধরমামরবু ২১-১৬, ২১-১৮ দা থোইরম্বনি।

হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ইনিদয়াগী কুদারাভালিনা থাইলেন্দগী এন এমসার্দপু ২১-১৫, ২১-১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ইনেদানেসিয়াগী দি আয়ুষ্টিনবু ২১-১৫, ২১-১৫ দা থোইরম্বী সিঙ্গাপোরগী য়িও জে এমগা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী আর রাজেনা হোং কোংগী চিয়ুংবু ২১-১৯,২১-১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই এ কাশ্যপপু ২১-৯, ২১-৭ দা লায়না থোইরম্বী সাউথ কোরিয়াগী সিম ৱাই জেগা শান্নরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অনী কিম অমসুং অন সি য়িং শান্নরগনি।

কিমনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ইনেদানেসিয়াগী আর হারটাৱানবু ২১-১২, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা সাউথ কোরিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অন সি য়িংনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ কানাদাগী বি টামবু ২১-৫, ২১-১২ দা থোইরমখি।